# মমাঙগী চেম্পিয়ন স্পেনগী রফেল নদাল ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে, সাইমোনা হালেপ অমসুং জোকোবিস ফাইনেল চঙখ্রে



রোম, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): স্পেনগী শান্নরোয় ইটালিয়ন ওপনগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা রাফেল নদাল চহীসিগী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টর্চমেনগী মখুৎতা মায়থীহৌরে। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। লোয়ননা নুপাগী কাঙলুপতসু সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিস ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইটালিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৯লক ফংবা ঙমখ্রবনি। লোয়ননা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় দিএগো স্বার্টর্চমেনগা শান্নখিবা মেচ ৯মক মহাক্না থোইদুনা লাকখি। অদুবু ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা অহানবা সেট অদু নদালগী মায়কৈদগী সর্ভিস তৌবদা অশোয়বা কয়া লৈখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা স্বার্টর্চমেননা নদালগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২ দা সেট অদু থোইখি।

অনীশুবা সেটতা নদালগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরোয় অনীমক সেট ৫-৫ ফাওবা থোইনদুনা লাকখি। অদুবু স্বার্টর্চমেনগী মায়কৈদগী থংনবা গেম অনী মহাক্না থোইদুনা ৭-৫তা সেট অদু থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা স্বার্টর্চমেননা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা কনাদাগী শান্নরোয় দেনিস সাপোভালোবকা লম্বা তৌনরগনি। সাপোভালোবনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী শান্নরোয় গ্রিগোর দিমোত্রোপপু ৬-২, ৩-৬, ৬-২দা থোইরম্বনি।

নুপাগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা নোর্ৱেগী কাসপর্স রুদপু ৭-৫, ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।

জোকোবিসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী শান্নরোয় দোমিনি খিফরবু ৬-৩, ৪-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা কাসপর্সনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইটালিগী টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সিদেদ ওইরিবা মাটিও বেরিটিনিবু ৪-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৭-৫) তা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপতা নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী রোমানিয়াগী শান্নরোয় সাইমোনা হালেপনা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু সেমি ফাইনেলদা ঙসি মায়থীবা পীখিবনি। অহানবা সেট অদু সাইমোনা হালেপনা মুগুরুজাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেটদা মুগুরুজাগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা সাইমোনা হালেপকী সর্ভিস ব্রেক মতাং মতম চানা তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৪ থোইদুনা সেমি ফাইনেল মেচ অদু সেট অমমম মান্নদুনা লাকখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় অনী অকনবা লম্বা চথরবা মতুং সাইমোনা হালেপনা ৬-৪ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল মেচ অদু মায় পাকখিবনি।

সাইমোনা হালেপনা ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোয় অনী টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ কেরোলিনা প্লিস্কোভা অমসুং ১২ শুবা সিদেদ মার্কেটা বোন্দ্রোসোভাগী অথোইবা অদুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল লম্বা তৌগদবা প্যেরশিংবু মশক খঙবা ঙমখি। নম্বর ৱান সিদেদ প্যের ওইরিবা চাইনিজ টাইপৈগী সৈশু ৱৈ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভাগা জর্মনিগী অনা লিনা ফ্রেদসাম অমদি রোমানিয়াগী রালুকা ওলারুগা লম্বা তৌনরগনি। টাইপৈ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী প্যের অদুনা ঙরাং সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এগী ঐচ কার্টর অমসুং ব্রাজিলগী লুইজা ষ্টেফানিবু ৭-৫, ৬-৪দা থোইরমখি।

অমরোমদা, জর্মনি অমদি রোমানিয়াগী প্যের অদুনা জপানগী প্যের এস ওয়ামা অমসুং ঈ সিভাহরাবু ৩-৬, ৬-২, ১০-৪ দা থোইখি।

নুপাগী দবলসকীসু ফাইনেল লম্বা তৌগদবা মশক খঙবা ঙমখ্রে। ফ্রান্সকী জেরিমি চার্দি অমসুং ফেদ্রিস মার্টিনেনা মরিশুবা সিদেদ প্যের অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোস অমসুং স্পেনগী মার্সেলো গ্রানোলসকা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

# হরিকৃষ্ণ তরেৎশুবা তাহৌরে, কার্লসন অমসুং ৱেসলি সোনা জোইন্ট ৱিনর ওইখ্রে



চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ সেন্ট লুই রেপিদ এন্দ ব্লিটজ ওন লাইন চেছ টুর্নামেন্টকী তরেৎশুবা পোজিসন তাহৌরে। ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোর্ৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসন অমসুং য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেসলি সোনা জোইন্ট ৱিনর ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা ব্লিটজ কম্পিটিসন অদুদা শান্নখিবা রাউন্দ ৯গী মনুংদা শুপ্নগী পোইন্ট ৩ খক ফংখি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক রেপিদ কম্পিটিসন অমসুং ব্লিটজ ৱানগী রাউন্দশিং অদুগা পুনশিল্লগা পুন্না পোইন্ট ১৫.৫ ফংদুনা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় জেফ্রি জিওংগা পুন্না ৭শুবা পোজিসন্দা লৈমিন্নখিবনি।

হরিকৃষ্ণনা ব্লিটজ ৱানদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মেগনস কার্লসনবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। অদুগা ব্লিটজ টুদনা কার্লসননা অমুক হরিকৃষ্ণবু থোইখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অসিনা রেপিদ গেমদা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ফজবা ঙমখিবনি। অদুবু ব্লিটজ ৱানদা পোইন্ট ৩.৫ অমদি ব্লিটজ টুদা পোইন্ট ৩ খক ফংলগা লৈখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা মেগনস কার্লসন ব্লিটজ টুগী অহানবা গেমদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরাগী মখুৎতা মায়থীবা নংখি। অদুবু মখা তারকপা রাউন্দশিংদা মেচ অহুম থোইখিবা অমদি মঙা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ২৪ ফংলগা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় ৱেসলি সোগা জোইন্ট ৱিনর ওইদুনা য়ু এস দোল্লর ৪৫,০০০/৪৫,০০০ ফংখি।

য়ু এস এগী ৱেসলি সোনা পোইন্ট ২১ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবদগী য়ু এস এ দোল্লর ৩৫,০০০ ফংবা ঙমখি। য়ু এস এদা বেজ তৌবা সেন্ট লুই চেছ ক্লবনা শীনবা টুর্নামেন্ট অদুদা হরিকৃষ্ণ তরেৎশুবা তাবদগী য়ু এস দোল্লর ১৪,০০০ ফংখি।

# বি এফ আইনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং য়ুরোপতা ট্রেনিং তৌহনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লৌরকখিবা ৱারেপ অমদা লৈবাক অসিগী সিনিয়র বোক্সরশিংনা য়ুরোপতা নুমীৎ ৪৫নিগী ওইবা ট্রেনিং কম কম্পিটিসন টুর অমা পাঙথোকপা য়ানা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফেদরেসন অসিনা ৱাফম অসি অখন্নবা জেনরেল মীটিং অমদা খন্নখিবনি। হায়রিবা ৱাফম অদু মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বর ৭৪ মক্না অয়াবা পীখি। নুমীৎ ৪৫ নিগী ওইবা ট্রেনিং অমসুং কম্পিটিসন টুর অদু য়ুরোপকী ফ্রান্স, ইটালি অমসুং পোলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী সিনিয়র বোক্সিং কোচ অমনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বোক্সরশিং পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা ট্রেনিং চথুরি। কোচ অসিনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা টুর অমা পাঙথোক্নবগী প্রপোজেল থাঙ্গৎখিবনি।

ট্রেনিং কেম্পশিং অদু ফ্রান্স অমসুং ইটালিদা পাঙথোকপা য়ানা লৈরি। অদুগা কম্পিটিসন অদুনা পোলেন্দদা ওইনা পাঙথোকপগী খুদোংচাবা লৈরি।

মরক অসিদা, কোভিদ-১৯না মীখল পাঙথোকপা য়াদবদগী বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিস বিয়ররশিং অদু থা ৩ এক্সটেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

# সোনগী পাঞ্জল ৪না টোটেনহাম হোটস্পরনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে, অর্সনেলসু মায় পাকখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরগী কোরিয়া মচা হিয়ুং মিন সোনগী পাঞ্জল ৪না মপুং ওইরগা সাউথমতনবু ৫-২দা থোইবা ঙমখ্রে। অর্সনেলগী টিমসু ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকা শান্নবদা ২-১দা মায় পাকখ্রে।

টোটেনহাম হোটস্পর প্রেমিয়র লীগ অসিগী অহৌনবা মেচতা এবর্টনগী মখুৎতা পাঞ্জল ০-১ দা মায়থীহৌবনি। অদুবু ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা হৌরকপদা কা হেন্না ফজবা ঙমদ্রবসু হেরি কেন অমসুং হিয়ুং মিন সোনগী ফজবা কম্বিনেসননা সাউথমতনবু খুদুম চনখিবনি। শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা সাউথমতনগী মায়কৈদগী কায়ল ৱাকর পিটর্সনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট দেনি ইংসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপা ৪৫ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অদু হেরি কেননা পীরকপা বোল অমদা হিয়ুং মিন সোননা চনখি। হাফ মতুং হৌরকপা ৪৭শুবা মিনটতা হেরি কেননা পীরকপা অতোপ্পা বোল অমদা পাঞ্জল চনখি। ৪৪ শুবা মিনটতসু মখোয় অনীগী কম্বিনেসননা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মিন সোন হেদ ট্রিক ফংখি।

মখা তারকপা শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা হিয়ুং মিন সোননা অমুক্কা হন্না হেরি কেনগী বোল অমদা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মিন সোননা চনখিবা পাঞ্জল মরিমক হেরি কেননা সপ্লায় তৌখিবনি। অদুবু ৮২শুবা মিনটতা হেরি কেন মশামক্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৫-১ দা সাউথমতনবু হেন্দুনা লৈখি। অদুবু শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা সাউথমতনগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দেনি ইংসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ২-৫ তা মখোয় মায়থীবা নংহৌখি।

ঙসি অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা অর্সনেলগী মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ইমিরেটস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকা শান্নখি। অর্সনেলগী টিম অসি মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা লীগ মেচতা ফুল হামবু পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ ওইখি।

মেচ অদুগী ২৫শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মায়কৈদগী পেরি ইমিরিক ওবামেয়াঙনা পীরকপা বোল অমদা অলেকজেন্দর লকাজেটনা পাঞ্জল চন্দুনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অদুবু হাফ অদু লোইগদবা মতম লোইশিল্লক্লবদা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী রাইয়ন ফ্রেদেরিক্সনা পীরকখিবা বোল অমদা মাইকেল এন্টোনিওনা চনখি। মেচকী ৮৫শুবা মিনটতা অর্সনেলগী দেনিয়ল কেবালোসনা পীরকপা বোলদা নেটিয়ানা চন্দুনা ২-১ দা থোইখি।

## সাদিও মানেগী পাঞ্জল ২না লিবরপুলবু চেলসিগা শান্নবদা ২-০ দা থোইহনখ্রে

প্রেমিয়র লীগকী ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা অনীরকশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন লিবরপুল ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী নাইজেরিয়া মচা সাদিও মানেনা চনখিবা পাঞ্জল ২না চেলসিবু মখোয়বু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী সিজনগী চেম্পিয়ন লিবরপুলনা থা অসিগী ১২ দা মখোয়গী অহানবা লীগ মেচ অদু লিদস য়ুনাইটেদকা শান্নবদা পাঞ্জল ৪-৩ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদে। শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা মানেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু মহাক্না ৫২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# পেরিস সেন্ট জর্মেননা নিসপু থোইখ্রে, মোনাকো মায়থীহৌরে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লিগে ৱানগী মরিশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেননা নিসপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা মোনাকো রেনিসকী মখুৎতা ২-১ দা মায়থীহৌরে।

পেরিস সেন্ট জর্মেন টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেচতা মায়থীবা নংখিবনি। মদুগী মতুং থা অসিগী ১৭তা মেটজপু ১-০দা থোইরগা লাকখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা নিসকা লম্বা তৌনখিবনি।

শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা পি এস জিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় কিলিয়ন মাপেনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। হাফ অদু লোইগদবা মিনট ফারক্তুবদা টিমমেট অর্জেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়ানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাঙজিল থাখি।

মেচকী ৬৬ শুবা মিনটতা পি এস জিগী মায়কৈদগী দি মারিয়ানা পীরকপা বোল অমদা মার্কিনোজনা মেচ অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লগা মায় পাকখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থানবা হোৎনরকখিবদা রিনিজনা মোনাকোবু ২-১দা থোইখি। অহানবা পাঞ্জল মোনাকোগী মায়কৈদগী ২৮শুবা মিনটতা ৱিসম বেন য়েদরনা চনবা ঙমখি। মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লবদা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদে। অনীশুবা হাফকী পুংখায় অমরোম শান্নবা ফাওবদা রিনিজগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্দনা লৈখি। ৮১শুবা মিনটতা জেঞ্জিনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লবা মতুং টিমমেটএদ্রিয়ননা ৯০শুবা মিনটতা চন্দুনা ২-১দা থোইখি।

# আই পি এল ২০২০গী অহৌনবা মেচ চেন্নাই সুপর কিংসনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে

অবুধাবী, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট মালেমগী ওইনা মকোক থোংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লৈবা মরম্না য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা হৌদক্কী সিজন অসি পাঙথোক্লি। ঙরাং অহৌবা মেচতা চেনাই সুপর কিংসনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোচ চেন্নাই সুপর কিংসকী কেপ্টেন এম এস ধোনিনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী মায়কৈদগী অপূনবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রতন ১৬২ লৌবা ঙমখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী মায়কৈদগী মরিশুবা বেটচমেন সাউরপ টিৱারিনা বোল ৩১ দা সিক্স ১গা ফোর ৪ য়ৈদুনা রন ৪২ লৌরম্বা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাকপু চাউনা মতেং পীখিবা অতোপ্পা বেটচমেন অদুদি ওপনর ক্বিন্টোন দি কোকনি। মহাক্কী ইনিংস অদুদা শুপ্নগী বোল ২০ মায়োক্নবদা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩৩ লৌরমখি।

মুম্বাইগী কেপ্টেন রোহিদ শর্ম্মা শুপ্নগী রন ১২ খক লৌরমখি। কেবিন পোলার্ট রন ১৮ য়ৈরমখি।

মায় পাক্লবা চেন্নাইনা রন ১৬৩ লৌগদবা অদু ওভর ১৯গা অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৬৬ য়ৌদুনা মায় পাকখি। টিম অদুগী অম্বাটি রাইয়ুদুনা শুপ্নগী বোল ৪৮দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৭১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

অহুমশুবা বেটচমেন ফাপ দু প্লেসিসনা আউট ওইদনা বোল ৪৬তা ফোর ৪ য়ৈদুনা রন ৫৮ লৌখিবা অদুনা অনীশুবা ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। ৬শুবা বেটচমেন সাম কুরনসু শুপ্নগী বোল ৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১ য়াওরগা রন ১৮ লৌরমখি। ঙসি দিল্লি কেপিটেল অমসুং কিংস এলেবেন পঞ্জাব শান্নগনি।

# রিএল মাদ্রিদতগী জেরেথ বেল হোটস্পরদা লোন ওইনা শান্নরগনি



লন্দন, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): স্পেনগী চেম্পিয়ন ক্লব রিয়ল মাদ্রিদতা শান্নরম্বা ৱেলস মচা জেরেক বেল মহাক্না হান্না শান্নরম্বা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা চহী ১ লোনদা শান্নরগনি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা জেরেক বেলনা রিয়ল মাদ্রিদকী টিমদা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ট্রোফি মরি অমসুং লা লিগা টাইটল অনী লৌবা ঙমখি। নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০০৭ দগীনা ২০১৩ ফাওবা জেরেক বেলনা ইংলেন্দগী টোটেনহাম হোটস্পরদা শান্নরম্বনি। মদুদা মহাক মেচ অনী হেন্না শান্নখিবদা পাঞ্জল ৫৬ চনবা ঙমখি।

অদুবু কুমজা ২০১৪ দা মহাক ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইনা য়ুরো মিলিয়ন ১০০ দা রিয়ল মাদ্রিদনা সাইন তৌখিবনি। হোটস্পরদা বেলদা নত্তনা অতোপ্পা রিয়ল মাদ্রিদকী শান্নরোয় হৌজিক হৌজিক্কা সিবিলাদা লোনদা শান্নরম্বা সজি'য়ো রেগুইলোসু শান্নরগনি। মহাক্তি ফুল টাইম ওইনা য়ুরো মিলিয়ন ৩০দা সাইন তৌনখিবনি।

# সেপ্টেম্বর ২৮দগী ৩০ ফাওবা এ আই এফ এফনা ইন্টরনেসনল ভর্চ্যুএল কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না থা অসিগী ২৮দগী ৩০ ফাওবা কোচশিংগী ওইবা ইন্টরনেসনল ভর্চ্যুএল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লবা শেম-শাবা লোইখ্রে।

এ আই এফ এফকী কোচ এদ্যুকেসনগী মকোক ওইরিবা সেবিয়ো মৈদৈরানা কনফরেন্স অসিগী অকুপ্পা মরোলশিং অদু এ আই এফ এফ টিভিগা উনবা অমদা ফোঙদোকখি। কনফরেন্স অদুদা য়ুথ ফুটবোল, ৱিমেন্স ফুটবোল, মীদিয়া, স্কাউটিং অমসুং কোচ এদ্যুকেসনগী মতাংদা ফিফাগী কোচ এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কনি।

অরোইবা নুমীৎতা ইন্দিয়াগী নেসনল টিম কোচ ওইরিবা আইগোর ষ্টিমেক অমসুং ফিল ব্রাউনসু ৱা ঙাংনবা শীনগদৌরি। য়ুনাইটেদ কিংদমগী ফুটবোল এসোসিএসনগী হায় পর্ফোমেন্স কোচ দোন্স স্কোটসু ৱা ঙাংবা য়াওগনি। ফিফাগী কোচিং দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র মেনেজর বাসির মহমদ অমসুং স্পোর্টস সাইকোলোজিষ্ট দান অব্রাহমসু য়াওগদৌরি। কনফরেন্স অসি এ আই এফ এফনা লোকদাউন লৈখিবদগী পায়খৎলকখিবা ৱার্কশোপশিংগী মখা তারকপনি।

EMPLOYMENT NEWS

❖ 22 to 30 yrs তা লৈবা মীওইশিংগী ওইনা Sales Executive (Unmarried+ Graduate+ Computer Knowledge) ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Thoubal, Moirang, Nambol, Sekmai অমসুং Samurouগী ওইনা মীওই 2/2 পামজৈ।

❖ 20 to 28 yrs তা লৈবা unmarried ওইবা মীওইশিংগী ওইনা Car Driver অমসুং Tyre Workshop কী Helper 2/2 পামজৈ।

❖ 10 yrs কী মথক্তা experience লৈরবা চেক Mistry অমসুং Jugali 2/2 অথুবা মতমদা পামজৈ।

*Please Contact,* **M.M. Singh**
Mobile No. 8413973840

HL/B/6202/

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR CLASSIC-350
EWMPLOYMENT NEWS: Car Driver, Security, Mechanic&Gr-IV
Legal Advisor, Computer Operator, Chawkidar
OFFICE ASST. (KAKCHING, SAMUROU, NAMBOL, KHANGABOK, MOIRANG,)



L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, KAKCHING IRUM LAMDONG, SEKMAI KOUJENGLEIMA.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com